# য়ুরোপ টুর চৎকদবা ইন্দিয়ন মেন'স হোকি টিমদা মণিপুরদগী চীংলেন্সা, কোথাজিৎ অমদি নিলকান্তা শর্ম্মা য়াওরে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৮ (এজেন্সী) :

বেলজিয়ম অমসুং নেদরলেন্দদা ইন্টরনেসনল মেচশিং শান্ননবগীদমক য়ুরোপ টুর চৎকদবা ইন্দিয়ন মেন'স হোকি টিমগী শান্নরোয় ১৮ খনগৎপদা মণিপুরদগী দিফেন্দর শান্নরোয় কোথাজিৎ খদাংবম, মিদফিল্ডর শান্নরোয় কে চীংলেনস্না অমসুং এস ঐচ নিলকান্তা শর্ম্মা য়াওরে।

য়ুরোপ টুর চৎকদবা ইন্দিয়ন মেন'স হোকি টিম অসিগীদমক ঙসি হোকি ইন্দিয়ানা শান্নরোয় ১৮ খনগৎলগা মখোয়গী মমিংশিং লাউথোকখিবনি। হোকি ইন্দিয়ানা খনগৎলবা শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোকপদা মণিপুরদগী কে চীংলেনস্না, কোথাজিৎ খদাংবম অমসুং এস ঐচ নিলকান্তা য়াওরকখিবনি। শান্নরোয় ১৮ খনগৎপদা য়াওরবা মণিপুরদগী কে চীংলেনস্নানা ইন্দিয়ন মেন'স হোকি টিম অসিগী ভাইস কেপ্তেন ওইগনি হায়নসু লাউথোকখি।

হোকি ইন্দিয়ানা লাউথোকখিবা মতুং ইন্না য়ুরোপ টুর চৎকদবা ইন্দিয়ন মেন'স হোকি টিম অসিগী কেপ্তেননা মনপ্রিট সিংহনি। খনগৎলবা শান্নরোয় ১৮ অদুগী মনুংদা গোল কিপর ওইনা অকাস অনিল চিত্তে অমসুং সুরজ কাটকেরা, দিফেন্দর ওইনা দিপসন টিরকে, গুরিন্দর সিংহ, অমিট রোহিদাস, বরুন কুমার; মিদফিল্ডর ওইনা এস কে উত্তপা, হরজিৎ সিংহ অমসুং সুমিথ য়াওরি। ফোরৱার্দ শান্নরোয় ওইনা মনদিপ সিংহ, রমনদিপ সিংহ, ললিট কুমার উপাধে, গুরজন সিংহ অমসুং অরমান কুরেসি য়াওরি।

য়ুরোপ টুর অসিদা ইন্দিয়ানা অহানবা মেচ ওইনা বেলজিয়মগা লাক্লিবা ওগষ্ট ৯ গী নুমিদাং পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা বেলজিয়মগী বুমদা মেচ অমা শান্নগনি। সেদ্যুলগী মতুং ইন্না টুর অসিদা ইন্দিয়ানা মেচ মঙা শান্নগনি। ওগষ্ট ৯ অমসুং ১০ দা বেলজিয়মগা মেচ অনী শান্নগনি। মদুগী মতুংদা টিম অসিনা নেদরলেন্দগী ৱালৱিক্তা ওগষ্ট ১৩ অমসুং ১৪ দা মেচ অনী অমগা অমুক শান্নগনি।

টুর অসিগী মঙাশুবা অমসুং ফাইনেল মেচ ওইনা ওগষ্ট১৬ তা নেদরলেন্দগী এম ষ্টিলবিন্দা ইন্দিয়ন টিম্না অষ্ট্রিয়াগা শান্নগনি হায়রি।

ইন্দিয়ন মেন'স হোকি টিম অসিনা য়ুরোপ টুর অসি চৎত্রিঙৈ মাঙওইননা ওগষ্ট ৫ ফাওবা নেসনল কেম্পতা শরুক য়াগনি। জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ্তা হিরো ওইখিবা হোকি শান্নরোয় বারুন কুমার দিপসন টিরকে, নিলকান্তা শর্ম্মা, গুরজন সিংহ অমসুং অরমান কুরেসিনা টিম অসিগীদমক পীরকপা পার্ফোমেন্সশিংসু উবা ফংলগনি।

মেম্বর ১৮ না শাবা ইন্দিয়ন মেন'স হোকি টিম অসিদা সুলটান অজলান শাহ কপ্তা শান্নবা ফংখিদ্রবা মুম্বাইদগী গোল কিপর সুরজ করকেরানা মহাক্কী পার্ফোমেন্স উৎপগী খুদোংচাবা অদুসু ফংলগনি।

## মণিপুর হোকিনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

*ইম্ফাল, জুলাই ২৮ : য়ুরোপ টুর চৎতুনা বেলজিয়ম অমসুং নেদরলেন্দদা শান্নগদবা ইন্টরনেসনল মেচশিং শান্নরুনবগীদমক ইন্দিয়ন মেন'স হোকি টিমগী মেম্বর ১৮ খনগৎপদা মণিপুরদগী জুনিয়র হোকি ষ্টার এস ঐচ নিলকান্তা শর্ম্মা, কে চীংলেনস্না (ভাইস কেপ্তেন) অমসুং কোথাজিৎ খদাংবম য়াওরকপা অসিদা মণিপুর হোকি অমসুং মশান্না অসিবু নুংশিজবা লমদম অসিগী মীয়াম্না হরাউ নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।*

*মণিপুর হোকিগী সেক্রেটরি এস সুনিতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, য়ুরোপ টুর চৎকদবা ইন্দিয়ন মেন'স হোকি টিমগী মেম্বর১৮ খনগৎপদা মণিপুরদগী নহা ওইরিবা হোকি শান্নরোয় এস ঐচ নিলকান্তা শর্ম্মা, কে চীংলেন্সা (ভাইস কেপ্তেন) অমসুং কোথাজিৎ খদাংবম য়াওরকপা অসি মণিপুর হোকিনা নুংঙাইবা ফাওই। ইন্দিয়ন টিমগী ফাইনেল সেলেক্সন লিষ্ট অসি ঙসি হোকি ইন্দিয়ানা লাউথোকখিবনি।*

*ইন্দিয়ন টিমগী শান্নরোয়শিং খনগৎপদা য়াওরক্লবা লমদমসিগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় অহুম অসিনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরক্কবা হোৎনবদা অফবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্বা ওইরসনু। ইন্দিয়ন টিমনসু টুর অসিদা মায় পাকপা পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়না মণিপুর হোকিগী সেক্রেটরি সুমতিনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।*

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৫২

১. আফগানিষ্টান ক্রিকেট 'টেষ্ট' শান্নবগী অয়াবা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলনা পীখ্রে। লৈবাক (আফগানিষ্টান) অদুদা পোকপা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা টেষ্ট শান্নখিবা শান্নরোয় অদু কনানো?

২. মহাক মণিপুর মচা নত্তে, মহাক মপান লমদগী, অতোপ্পা ষ্টেটতগী মেগা মরাথন্দা তরুকশুবা ফাওবগী মনুং চনবা অহানবা লমজেল্লোয়নি। মহাক্কী মমিং হায়য়ু।

৩. মুহম্মদ অলি ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংলবসু য়ু এস এগী মিলিটরি ত্রেনিং য়াও হায়বা য়াদবদগী জেলদা থমখি। মহাক্কুম্না ওলেম্পিক চেম্পিয়ন ওইবা স্বিদেনগী শান্নরোয় অমা মিলিটরি ত্রেনিং য়াওদবগী জেলদা থমখি। মহাক্কী মমিং হায়য়ু।

৪. কুমজা ১৯৫০ গী মতমদা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা 'রিং' শান্নরম্মী। স্কুলদা অমদি লৈকায়দা মশান্না অসি মীয়াম্না য়াম্না পাম্নরম্মী। স্পোর্টস অমা পাঙথোকপদা মশান্না অসি থৌরম অমা ওইনা য়াওহল্লি। মশান্না অসিগী অশেংবা মমিং হায়য়ু।

৫. লাই অমা পীরিবা অসিদা ওজা অমনা শান্নরোয় অমবু লমজেলগী ত্রেনিং পীরি। শান্নরোয় অসিগী মমিং পীয়ু।



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## এল সঙ্গিতা মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী রিভাইস ফিক্সচর থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা অৱাং সেকমাইগী এস কে ৱাই সী গ্রাউন্দদা চথুরকখিবা ২৪ শুবা এল সঙ্গিতা দেবী মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী রিভাইস ফিক্সচর ঙসি টুর্নামেন্ট কন্মিটিগী কনভেনর জি শান্তি শর্ম্মানা খুৎয়েক পীদুনা থোকখিবা চেরোল অমনা লাউথোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চথুরকখিবা ২৪ শুবা এল সঙ্গিতা দেবী মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী মখা তানা শান্নগদবা মেচশিংগী মতাংদা টুর্নামেন্ট কন্মিটিগী কনভেনরনা খুৎয়েক পীদুনা থোকখিবা রিভাইস ফিক্সচর অদুগী মতুং ইন্না লাক্লিবা জুলাই ২৯ গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা সাই আর সী তাকয়েল পাৎ অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল শান্নগনি। নুমিৎ অসিমক্কী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদনা জি সী সী আর পি এফ লাংজিং অমসুং এস সী কে কোদোম্পোকপী শান্নরগনি। লাক্লিবা জুলাই ৩১ গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদনা থাও থাংমৈবন্দ অমসুং দব্লিয়ু এস সী ঙাইরাংবম শান্নগনি।

## সুপর দিভিজন অমসুং ফার্ষ্ট দিভিজন টুর্নামেন্ট মখা চথুরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ : দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালগী মিৎয়েং মখাদা ৱাংজিংদা লৈবা কোদোম্পোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথুরকখিবা ফার্ষ্ট দিভিজন অমসুং সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী মখা তাবা মেচশিং শান্নরগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী চেরোল অমগী মতুং ইন্না ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী মখা তাবা মেচশিং জুলাই ২৯ দগী শান্নবা হৌরগনি। জুলাই ২৯ গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা আর পি য়ু অমসুং ঈ এল ৱাই এস এ শান্নগনি। অদুগা নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদনা এস এল ৱাই ও অমদি ৱাই দি এ শান্নরগনি।

জুলাই ৩১ গী নুংথিল পুং ১ তাবদনা ঐচ কে কে এস এ অমসুং এস দব্লিয়ু ৱাই সী শান্নগনি। অদুগা নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদনা ঈ এল সী অমসুং এস য়ু এস এ এল শান্নগনি।

এসোসিএসন অসিগী মিৎয়েং মখাদা গ্রাউন্দ অসিমক্তদা চথুরকখিবা অহুমশুবা এল ইবেতোম্বী দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী মখা তাবা মেচশিংনা জুলাই ৩০ দগী শান্নবা হৌরগনি। জুলাই ৩০ গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা এস ৱাই দি এ অমসুং ঐচ আই এস য়ু শান্নগনি। অদুগা নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদনা আর ৱাই দি ও অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সী শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথুরকপা ওইনা লাক্লিবা ওগষ্ট ১ গী নুংথিল পুং ১ তাবদনা দব্লিয়ু ৱাই এফ সী অমসুং এ এফ সী শান্নগনি। অদুগা নুমিৎ অসিমক্কী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদনা আর ৱাই দি ও অমসুং ঐচ আই এস য়ু শান্নরগনি হায়নসু এসোসিএসন অসিগী চেরোলদুনা খঙহল্লক্লি।

## ঐচ পিশক মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন লীগকী মেচশিং ওগষ্ট ১ দগী শান্নরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ : দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরগী মিৎয়েং মখাদা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথুরকখিবা মরিশুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী মেচশিং মতম খরা য়ৈথোক্তুনা লাকখিবা অদু লাক্লিবা ওগষ্ট ১ দগী মখা তানা শান্নবা হৌরগনি হায়না দি এস এ বিষ্ণুপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি সী ঐচ ইবোতোম্বীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৩ না শরুক য়ারিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নৌনা শেন্নবা ফিক্সচর অমসু ঙসি দি এস এ বিষ্ণুপুরনা লাউথোকখ্রে। নৌনা লাউথোরক্লিবা ফিক্সচর অসিগী মতুং ইন্না লাক্লিবা ওগষ্ট ১ গী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা এন সী ৱাই দব্লিয়ু ও নুংশাই চিরু অমসুং ঈ এল এস এ নরানসৈনা শান্নরগনি। অদুগা ওগষ্ট ২ গী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদনা এল ৱাই ভি ও চোথে অমসুং ৱাই দব্লিয়ু ও বিষ্ণুপুর শান্নরগনি। ওগষ্ট ৩ দনা এ কে এস এ কাক্তা অমসুং টি ৱাই দি এ তৌবুল শান্নরগনি হায়রি।

## বিরেন্দ্র মেমোরিএল সুপর দিভিজন মখা চথুরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা অৱাং সেকমাইগী এস কে ৱাই সী গ্রাউন্দদা চথুরকখিবা ১৮ শুবা বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ লাক্লিবা জুলাই ৩০ দগী মখা চথুরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তাবা মেচশিংগীদমক রিভাইস ফিক্সচর অমা ঙসি টুর্নামেন্ট কন্মিটিগী কনভেনর জি শান্তি শর্ম্মানা লাউথোরক্লি। রিভাইস ফিক্সচর অদুগী মতুং ইন্না জুলাই ৩০ গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা এন সী ক্লব অমসুং বি এম এস সী শান্নগনি। নুংথিল পুং ৩ তাবদনা এম পি এস সী অমসুং সী ঐচ আই কে এল শান্নগনি। অদুগা ওগষ্ট ১ গী নুংথিল পুং ২ তাবদনা ৱাই দি ও অমসুং এস কে ৱাই সী শান্নরগনি হায়রি।




HL-B/4010/15/7-8/08





# নৌরিবশিংগী ৱাখলদা সষ্টেনেবল ফ্যুচরগী শক্তম শাগৎহনসি

## ইনর্জি কঞ্জার্বেসনগী মতাংদা পাঙথোক্কদৌরিবা লাই য়েকপা চাংদম্নবদা স্কুলগী মহৈরোয়শিং শরুক য়াননবা চেবাউ পীরক্লি

মিনিষ্ট্রি ওফ পৱর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা স্কুলগী অঙাংশিংদা লূ-নানবা, অশংবা অমসুং ইনর্জি হৈশিংনা শীজিন্নবা- সষ্টেনেবল ইনর্জিগী লাই য়েকপদা শরুক য়ানবা খঙহল্লি। শরুক য়ারিবা পুম্নমক লুপা লিশীং ৫ দগী লুপা লাক্ষ ১ ফাওবা শেলগী মনা ফংবা অমসুং সষ্টেনেবল লাইফকী ৱাখল্লোন উৎনবগী খুদোংচাবা ফংগনি।

থিমগী টোপিকশিং

মতৌ করম্না পেন্টিং কম্পিটিসন্দা শরুক য়াগনি

গ্রুপ এ
- ঘর হো য়া দফটর, উরজা বচত হে বেহটর *
- উরজা বচত কে সিতারে দোষ্ট হমারে*
- পুকচেল চাও, মৈ মুখৎলু

গ্রুপ বি
- মপান্দা ঙাল্লবদি লাইট মুখৎলু
- ইনর্জি লান্না শীজিন্নবশিংগী ঙাকপীফম লৈতে
- ইনর্জি কনবগী মিসন, ইশাগী থৌদাং ওইহল্লসি

- স্কুল প্রিন্সিপালশিংনা **গ্রুপ** এগী মখাদা ক্লাস **ফোর, ফাইভ অমদি সিক্স** অমসুং **গ্রুপ** বিগী মখাদা ক্লাস **সভেন, আইট অমদি নাইনদা** তন্নিবা মহৈরোয়শিংগী পুং ২ গী ওইবা পেন্টিং কম্পিটিসন পাঙথোকপীনবা হায়জরি।
- খনগৎলবা মহৈরোয়শিং ষ্টেট অমদি নেসনলগী থাক্তা শরুক য়াগনি।
- মহৈরোয়শিংনা অপান্থা সাইজগী চে শীজিন্নবা য়াই অদুবু এ-৪ সাইজ শীজিন্নহনবনা হেন্না পাম্মী। পেন্সিল, কলর পেন্সিল রায়ন অমদি ৱাটর কল্লরনচিংবা পেন্টিং মেটরিএল শীজিন্নগদবনি। মহৈরোয়শিংনা মরী লৈনবা গ্রুপকীদমক পীরিবা পান্থা থিম টোপিক অমা খনবা য়াই।
- স্কুলগী প্রিন্সিপালশিংনা **গ্রুপ এ অমদি বি**দগী খ্বাইদগী ফজবা পেন্টিংঅ নী খনগৎলগা স্কুল লেভেল পেন্টিং কম্পিটিসনগী গ্রুপ অমমমদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংগী অপূনবা মশীং কুমজা **২০১৭ কী সেপ্টেম্বর ৩০** গী মমাঙদা মখাদা পীরিবা ষ্টেট/য়ু টিগী নোদল ওফিসরগী এদ্রেসতা য়ৌহল্লক্কদবনি।
- হেন্না অকুপ্পা মরোল www.beeindia.gov.in দগী খঙবা য়াগনি।
- শরুক য়াবা মীওই খুদিংমক্তা সার্টিফিকেট পীগনি।
- **State Nodal Officer's address for Manipur:**
  Shri Rajesh Kumar, Manager (HR), Office of Chief Engineer (Incharge) Loktak Power Station,
  P.O. Loktak, Komkeirap, Manipur-795 124, (O) : 03879-261561, (M) : 09771434007,
  Fax : 03879-261203, Email: hrloktak@gmail.com, raj.kumarnhpc@gmail.com

ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটোরি লেভেল

| এৱার্দশিং | গ্রুপ 'এ' | গ্রুপ 'বি' |
|---|---|---|
| অহানবা মনা | লুপা ২০,০০০/- | লুপা ২০,০০০/- |
| অনীশুবা মনা | লুপা ১৫,০০০/- | লুপা ১৫,০০০/- |
| অহুমশুবা মনা | লুপা ১০,০০০/- | লুপা ১০,০০০/- |
| কন্সোলেসন (মশীং তরা) | লুপা ৫,০০০/- | লুপা ৫,০০০/- |

নেসনল লেভেল

| এৱার্দশিং | গ্রুপ এ: প্রাইজগী মশীং | গ্রুপ এ: শেনফম | গ্রুপ বি: প্রাইজগী মশীং | গ্রুপ বি: শেনফম |
|---|---|---|---|---|
| অহানবা মনা | (মশীং অমা) | লুপা ১,০০,০০০/- | (মশীং অমা) | লুপা ১,০০,০০০/- |
| অনীশুবা মনা | (মশীং মরি) | লুপা ৫০,০০০/- | (মশীং অনী) | লুপা ৫০,০০০/- |
| অহুমশুবা মনা | (মশীং নিপান) | লুপা ২৫,০০০/- | (মশীং অহুম) | লুপা ২৫,০০০/- |
| কন্সোলেসন (মশীং তরা) | (মশীং তরা) | লুপা ১০,০০০/- | (মশীং তরুক) | লুপা ১০,০০০/- |

* য়ুম নৎত্রগা ওফিস, ইনর্জি কলহৌবনা হেন্না ফৈ

নোট

** ইনর্জি কনবা মীওইশিংগা মরুপ ওইবা

- মমাঙগী চহী অনী (২০১৫ অমসুং ২০১৬) দা গ্রুপ এ অমদি বিদা ষ্টেট/য়ু টিগী থাক্তা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মনা ফংখ্রবশিং চহী অসিগী কম্পিটিসন্দা শরুক য়াবা য়ারোই। অদুবু গ্রুপ অনীমক্কী ষ্টেট লেভেলদা কন্সোলেসন প্রাইজ ফংখ্রবশিংদি অহানবা/অনীশুবা/অহুমশুবা তারবদি মনা পীনবা খন্নগনি।
- লাই য়েকপা চাংদম্নবা অসিদা লেভেল খুদিংমক্কী ওইনা কোলাস/পেটচর্ৱক শীজিন্নবা য়ারোই।
- স্কুল লেভেল, ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটোরি থাক্কী স্কেটচ পেন্টিং অমসুং নেসনল থাক্কী খনগৎলবা পেন্টিং অনী বি ঈ ঈগী প্রোপর্টি ওইগনি, মতিক চাবা মরমদা শীজিন্নবগী ৱাইট লৈগনি।
- পেন্টিং কম্পিটিসন অসিদা লেভেল খুদিংমক্কী জুরি/এক্সপার্ট কন্মিটিনা লৌরকপা ৱারেপ্পা ফাইনেল ওইগনি।

ইনর্জি কঞ্জার্ভেসন দিভিজন
মিনিষ্ট্রি ওফ পৱর
গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
এফ-বিং, অনীশুবা ফ্লোর
নির্মান ভাবন, ন্যু দেল্লি - ১১০০১১
টেলিফোন নম্বর : ০১১-২৩০৬৩৪৯৭/২৩০৬১৩১১

সত্যমেৱ জয়তে

স্বচ্ছ ভারত — एक कदम स्वच्छता की ओर

Bachat Ke Sitare Dost Hamare

ENERGY IS LIFE — CONSERVE IT

ব্যুরো ওফ ইনর্জি ইফিসিএন্সি (বি ঈ ঈ)
মিনিষ্ট্রি ওফ পৱর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া,
মরিশুবা ফ্লোর, সেৱা ভাবন, আর কে পুরম
ন্যু দেল্লি - ১১০ ০৬৬ টেলিফোন নম্বর : ০১১-২৬১৭৯৬৯৯ (৫-লাইন্স)
ফেক্স : ০১১-২৬১৭৮৩২৮/৫২

davp 34106/13/0031/1718

ইনর্জি কনবা : নুংঙাই য়াইফবা পুন্সি মহিংদা পুরক্লবগী লম্বীনি